## রেনদিয়র ২০০ হেন্না শিরল্লে

ওস্লো, জুলাই ২৮:
নোরৱেগী অর্ক্তিক অর্কিপেলাগো সভালবার্দতা চাবা ফংদবনা মরম ওইদুনা রেনদিয়র ২০০ হেন্না শিরল্বা থেংনরে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন আর কেগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রেনদিয়র ময়াম অমা অসুম্না শিরল্লিবসি মরু ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং মখোয়গী মচীঞ্জাক ফংবা ৱাৎলকপদগীনি হায়না নোর্ৱিজন পোলর ইন্সটিট্যুটকী রিছার্চর অহুম্না ফোঙদোকখি।

## য়েংথিবগী মেসেজ ওইনা থোক্কনি

জিনিভা, জুলাই ২৮:
গল্ফকীদমক্তগা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংনা নেভেল কোলিসন অমা শেন্নকপা মতমদা য়েংথিবগী মেসেজ অমা শোয়দনা পীরক্কনি হায়না ইরানিয়ন গভর্নমেন্টগী স্পোক্সমেন অলি রাবিয়ৈনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খ্রে। ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝদা সেফ সিপ্পিং য়ানবগী নেভেল মিসন অমা শেম্নবগী বৃটিশ প্লান অমা ফ্রান্স, ইটালি অমসুং দেনমার্কনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি।

# য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোক্ত্রিফাওবা অফঘান গভর্নমেন্টকা হকথেংননা ৱারী শান্নখিরোই : টালিবান



কাবুল, জুলাই ২৮ (এজেন্সি):
টালিবান্না নোংমাইজিং নুমিত্তা অফঘান গভর্নমেন্টকা মখোয়গা হকথেংননা ৱারী শান্নরোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীফম অমা মথং চয়োল অনীফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়বা সিনিয়র মিনিষ্টর অমগী ৱাফম য়াখিদ্রে হায়না টালিবানগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খ্রে।

অফঘান গভর্নমেন্টকী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর পিছ এফ্যেরস অব্দুল সলাম রহিমিনা লাক্লিবা চয়োল অসিগী মনুংদা য়ুরোপকী লৈবাক অমদা টালিবানগা অফঘান গভর্নমেন্টগা হকথেংননা ৱারী শান্নবা য়াবগী থাজবা লৈরে হায়না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মীফম অদুদা মেম্বর ১৫ গী দেলিগেসন অমনা গভর্নমেন্ট রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং কর্টরদা লৈবা টালিবানগী পোলিটিকেল ওফিসকী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা সুহাইল সহিননা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অফঘান গভর্নমেন্টগা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হায়বসি অফঘানিষ্টান্দগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকপগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা দিল অমা য়ানরবা মতুং খক্তদা লাক্কদবা খোঙথাংনি হায়খি।

টালিবানগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা দিল অমা য়ানরবা মতুংদা টালিবান অমসুং অফঘানশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নগনি হায়বা ৱাফম অমা রহিমিন্না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবা হোৎনবগী থবক থৌদা শীন্নরিবা য়ু এসগী স্পেসল এনভোই ঝালমে খালিজাদনা ফেঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহীদগী য় এস ট্রুপশিং হন্দোক্কদবনি হায়বা টালিবানগী দিমান্দ অমগা মরী লৈননা কর্টরদা টালিবানগী ওফিসলশিংগা মহাক্কা হকথেংননা ৱারী রাওন্দ কয়া শন্নখ্রে। কর্টরদা ৱারী শান্নবদুদা য়ু এসকী মায়কৈদগী অফঘানিষ্টানবু টেররিজমগী বেজ অমা ওইনা মখা তানা শীজিন্নবা য়ারোই হায়না ৱাফম টালিববানগী মায়কৈদা চেৎনা থমখি।

অফঘান ফোসশিংবু ট্রেনিং পীবা, মতেং পাংবা অমসুং পাউতাক পীবগী য়ু এসনা লুচিংবা নোটোগী মিসন অমগী শরুক আমা ওইনা অফঘানিষ্টান্দা অয়াম্বনা অমেরিকানশিং ওইবা ফোরেন ট্রুপ ২০,০০০ লোম লৈরিবনি। য়ু এস ফোর্স খরনা লৈবাক অদুদা কাউন্টর-টেররিজম ওপরেসন কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

# ম্যান্মারগী জেদ মাইনদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা পুলিস য়াওনা মীওই ১৮ শিরে



য়াঙ্গোন, জুলাই ২৮ (এজেন্সি):
ম্যান্মারগী জেদ মাইন অমদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা গার্দ পোষ্ট অমা লৈবাক অমসুং লৈখোম লৈনাংনা ফুমজিনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা পুলিস পর্সনেল অমা য়াওনা মীওই ১৪ শিরে অমসুং থিবা খঙদ্রিবা মীওই ৪ অমসু শিরল্লগনি হায়বগী মীপাইনবা লৈরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

শেল লায়না তানবা য়াবা মাইনিং ইন্দষ্ট্রি থিংজি ল্লগনি হায়না গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোক্তুনা লাক্লবসু লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা কাচিন ষ্টেটকী জেদ মাইনিং মফম অমা ওইরিবা হপাকান্টদা মীশি-মীনাগী এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোক্লি।

হৌখিবা এপ্রিলদা মাইনিংগী থবক্কা মরী লৈননা অঙম্বা চীংদা তৌখিবা অচৌবা কোম অমগী মপান নীংখায়রকখিবগী থৌদোক্তা মাইনিং কম্পেনি অমগী ইমপ্লোয়ী ৫৫ শিখিবগা লোয়ননা সেফটিগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা মাইনিং ব্লোক ১৭ থবক লেপহনখিবনি। মফম অদুগী পুলিস চীফনা এক্সিদেন্ট মফমদগী অশিবা হকচাং ১৪ লৌখৎলে অমদি থিবা খঙদ্রিবা মীওই ৪ অমনা শিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

# অরাক হেভি ৱাটর ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টর অমুক হন্না থবক হৌরগনি



জিনিভা, জুলাই ২৮ (এজেন্সি):
মতম শাংনা থবক লেপ্পুনা লাক্লবা অরাক হেভি ৱাটর ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টরগী থবকশিং ইরান্না অমুক হন্না হৌরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানগী এটোমিক ইনজি ওর্গনাইজেসনগী মকোক অলি অকবর সালেহিনা লোমেকরশিংদা ফোঙদোকখ্রে হায়না আই এস এন এ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমগী ৱারোল পল্লদুনা আই এস এন এনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টরশিংদা হেভি ৱাটর শীজিন্নদুনা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং শাবদা শীজিন্নবা ফ্যুএল অমা ওইরিবা প্লোটোনিয়ম পুথোকপা য়ারিবনি। কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অমদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা টেহরানগী মথক্তা অমুক হন্না অথিংবা কয়া থমজিনখিবা মতুং হৌখিবা মেদা ইরান্না দিল অদুদা য়াওরিবা কম্মিটমেন্ট খরা থুগায়বা হৌখিবনি।

দিল অদুদা মখা তানা সিগনেটরিশিং ওইহৌরিবা লৈবাকশিংনা মদুবু কায়হন্দনা থম্নবা কন্না হোৎনরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপদগী লৈবাকশিং অদুনা হোৎনরিবদু হেন্না হেন্না লুশিল্লক্লি। অখন্নবা মীফম অমা ওইনা একোর্দ অদুবু করম্না কনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা বৃটেন, ফ্রান্স, জর্মনি, রসিয়া অমসুং চাইনানা জিনিভাদা ইরানগা মীফম পাঙথোক্লবা লেপখিবনি।

করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র পেক অদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংনা দিল অদুগী মখাদা থাজবা পীখিবগী মতুং ইন্না য়ু এসগী অথিংবশিং লৈদুনসু ইরানগা চথনরিবা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিং ঙাক শেনবগী থৌরাংশিং পায়খত্তবা তারবদি টেহরান্না য়ুরিনিয়ম এনরিচমেন্টকী থাকশিং হেনগৎল্লগনি অমসুং জুলাই ৭ কী মতুংদা অরাক হেভি-ৱাটর রিয়েক্টর অমুক হন্না থবক হৌরগনি হায়না হৌখিবা জুলাই ৩দা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা ফোঙদোকখি।

# ঈ য়ুনা খোঙফম হন্দোক্তবগী ফিভমদা বৃটেন্না দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকীদমক শেম-শাবগী থবক কনখৎলগনি

লন্দন, জুলাই ২৮ (এজেন্সি) :
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ব্রেক্সিট দিলগী মতাংদা অমুক হন্না নিগোসিএসন তৌশি হায়বা য়াররোই হায়বগী থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা থবক তৌবা হৌরে অমসুং বৃটেন্না এগ্রীমেন্ট অমা য়াওদনা ওক্তোবর ৩১ দা ব্লোক অসিবু থাদোক্লবগী শেম শাবগী থবকশিং কনখৎলে হায়না বৃটিশ সিনিয়র মিনিষ্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা অয়েৎ-অপন লৈত্রবদি ওক্তোবরগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ব্রেক্সিট শোয়দনা পাঙথোক্লগনি হায়না পার্টিগী মেম্বরশিং অমদি লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীবগা লোয়ননা হৌখিবা য়ুমশকৈশদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়দুনা থবক হৌখ্রবা বোরিস জোন্সন্না ঈ য়ুগা অনৌবা এগজিট দিল অমা য়াননবা থৌরাং তৌরিবনি। অমরোমদা, ঈ য়ুনা হান্না য়ানখ্রবা



দিল অদু মখা তানা অমুক হন্না খন্নবা য়াররোই হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

জোন্সন্না দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী শেম শাবগী থবকশিংগী চার্জ শীন্নখ্রবা মশক নাইবা ব্রেক্সিট সপোর্টর মাইকেল গোভনা সন্দে টাইমস পাউচেদা হান্নদগী হেন্না ফিভম ফগদবা দিল অমা ঈ য়ুগা য়াননবা গভর্নমেন্টনা কন্না হোৎনরগনি হায়না ইখি। বৃটিশ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি ঈ য়ুগী ওথোরিটিশিংগী ৱাখলদা অহোংবা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈরোই হায়বগী থাজবদা য়ুমফম ওইরগা ঐখোয়না থবক তৌবা তাই। হৌজিক্তি দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট হায়বসি থাঙ্গৈশেংনা থোক্লবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে, অদুনা অসিগুম্বা ফিভম অসিগীদমক্তা ঐখোয়না শেম শারে হায়না গোভনা মখা তানা ইখি।

দিল য়াওদবা এগজিট অমগীদমক্তা মীয়াম্বু অমসুং বিজিনেসশিংবু শেম শাহন্নবগীদমক গভর্নমেন্টনা চহী চা অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পিচটাইম পব্লিক ইনফোর্মেসন কেম্পেনশিংগী মনুংদা অমা হৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বৃটেন্না ঈ য়ু থাদোক্লবগী কুমজা ২০১৬ গী রেফরেন্দম কেম্প্যেনগী মাষ্টরমাইন্দ ওইখিবা হৌজিক্লা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সনগী সিনিয়র এইদ অমা ওইরবা দোমিনিক কম্মিংসনা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজরশিংগী ওইবা মীফম অমদা অরৈবা পাম্বৈ অমা হেক্তা শীজিন্নরগা ব্রেক্সিটকী থৌরাং শোয়দনা মায় পাকহনবগী থবক মঙোন্দা শীনরে হায়বা ৱাফম থমখি হায়নসু সন্দেটাইমসকী রিপোর্ট অদুদা পনখি। ব্রেক্সিটকী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌননবা সিনিয়র মিনিষ্টর তরুক্কী ৱার কেবিনেট অমা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না শেমখ্রে হায়নসু পাউচেদুনা মখা তাখি।

# সিরিয়ন আর্মিগী বোমগী এটেকশিংদা অঙাং ৩ য়াওনা মীচম ১০ শিরে



দমাস্কস, জুলাই ২৮ (এজেন্সি):
হৌখিবা চয়োলদা চথখিবা এটেক কয়াদা মীচম ১০০ রোম শিখ্রবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়ন আর্মিনা চথখিবা বোম্মিং এটেকশিংদা অঙাং অহুম য়াওনা য়ামদ্রবা মীওই ১০ শিরে হায়না য়ু কেদা বেজ তৌবা ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস (এস ও ঐচ আর)গী রিপোর্টনা হায়, দমাস্কসকী মিলিটরি প্লেনশিংনা খুৎলায় পায়বা ওপোজিসন গ্রুপশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ডশিং ওইরিবা ইদিলিব অমসুং হনা প্রোভিন্সশিংগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা বোম্মিং এটেক ৪০ রোম পাঙথোকখ্রে।

গভর্নমেন্ট প্লেনশিংনা বোম্মিং চথখিবা অদুদা ইদিলিবকী অরিহা টাউন্দা অঙাং অনী য়াওনা মীচম ৯ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ২৮না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইফে ন্যুজনা এস ও ঐচ আরগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন রেবেলশিং অমসুং ইস্লমিষ্ট গ্রুপশিংনা কন্ত্রোল তৌবা অরোইবা লমদম ওইরিবা ইদিলিবকী কাফর আউদ মনাক্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদসু অতোপ্পা অঙাং অমা শিখি। এস ও ঐচ আরগী মতুং ইন্না রসিয়ন প্লেনশিংনা হমাদা বোম্মিং রেইদশিং পাঙথোকখি। অমরোমদা, সিরিয়ন আর্মিনা মখা তানা রেবেল ফাইটর কয়া ওপরেট তৌরিবা হমা অমসুং ইদিলিবকা য়ুমথংনরিবা অলেপ্পো প্রোভিন্সতা অর্টিলরি অমসুং হেলিকোপ্টর এটেক কয়া চথখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্তবা সিরিয়ন মিলিটরি সোর্স অমনা ইফে ন্যুজদা হায়খি মদুদি, হৌখিবা পুং ৪৮ অসিদা সিরিয়ন আর্মিনা হমাগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং রসিয়াগী এয়র সপোর্টকা লোয়ননা অর্টিলরি অমসুং মিসাইল এটেকশিং কন্না চথখি। ট্রুপশিংনা খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিংনা কন্ত্রোল তৌরিবা মফমশিং মরু ওইনা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ আর্মি ওফ অল অঝানা পায়শিল্লিবা মফমশিংদা চঙশিন্নবা শেম শারি হায়না সোর্সশিংনা অদুনা মখা তাখি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি অসিদা ইদিলিব অমসুং অলেপ্পোদা সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচঙশিংনা এটেক কয়া চথদুনা অঙাং ২৬ য়াওনা মীওই ১০৩ শিহনখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস মিচেলি বচেলেটনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

# সুদান্না রেবেলশিংগা সীজফায়র শাংদোকহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে

জুবা, জুলাই ২৮ (এজেন্সি):
সুদানিজ অমসুং সাউথ সুদানিজ ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা মখোয়গী বোর্দরদা ওপরেট তৌরিবা খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিংগী এলাইয়েন্স অমগী লুচিংবগা সীজফয়ার শাংদোকহনবগী ৱাফম অমদি সুদানগী কনফ্লিক্ট অদুগী চৈথেং নংলবা মফম খরদা এইদ ৱর্করশিংবু চঙবা য়াহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে হায়রি।

সুদান্না য়ুমথংনরিবা সাউথ সুদানবু সুদানগী রেবেল কয়াগী মনুংদা অমা ওইরিবা মালিক অগারবু চঙজফম পীদুনা লাক্লি হায়না মরাল শীরিবনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা শাংলবা অমদি মফম কয়াদা ইহো হোবা বোর্দর সেয়র তৌমিন্নবগা লোয়ননা কুমজা ২০১১ দা থাউ মরাং কায়না ফংবা সাউথ সুদান্না নীং-খা তমখিবা মতুংদা লৈবাক অনীমক্লা অমনা অমগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিং শৌগৎনদুনা লাকখি।

সুদান্দা চহী ৩০ পাল্লকখিবা প্রসিদেন্ট ওমর অল বাসিরবু মফমদগী চিংথুখিবা চয়োল অমগী মতুং হৌখিবা এপ্রিল ১৭ তা সুদান অমসুং অগরনা সীজফায়র অমা খুৎয়েক পীন্নদুনা ব্লু নাইল অমসুং সাউথ কোর্দোফান রিজনশিংদা চৎনহনখিবনি। এগ্রীমেন্ট অদুগী মতম জুলাইগী অরোইবদা লোইগদবনি। সুদানগী দারফুর রিজন্দা ওপরেট তৌরিবা রেবেল ফেক্সনশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা অদ্দিস অবাবাদগী জুবাদা থুংলবগা লোয়ননা পিছ টোক মখা চথরগনি।

থাংজ নুমিৎকী মীফমদা সাউথ সুদানগী



সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা প্রসিদেন্সিএল এনভোই টুট গটলুৱা, সুদানগী রুলিং ট্রাঞ্জিস্নেল মিলিটরি কাউন্সিলগী দেপ্যুটি চীফ জেনরেল মোহমদ হমাদান দাগালো অমসুং খুৎলায় পায়বা ওপোজিসন গ্রুপশিংগী ওইবা এলাইয়েন্স অমগী মকোক অগারনা শরুক য়াখি। চহী কয়া লিশাং শিংনা শেল-থুমগী পোলিসিদা অশোইবা কয়া লৈবা অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হ্যুমেন রাইটসশিং তত্তনা খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংনা খোইরাং খোইশাওহল্লবা সিটিজনশিংনা সুদান্দা প্রোটেষ্ট কয়া লেপ্পুনা চথবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা ওথোরিটিগী মায়োক্তা লান হৌরিবনি।

বাসির অমসুং মিলিটরি কাউন্সিলগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীওই কয়া হৌজিক্তি শিখ্রে হায়না লৌনরি। সুদানগী মিলিটরি কাউন্সিল অমদি সুদানিজ পোলিটিকেল অমসুং খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিংগী অম্ব্রেলা গ্রুপ অমা ওইরিবা ফোর্সেস ফোর ফ্রীদম এন্দ চেঞ্জনা থা অসিদা চহী অহুমগী ওইবা পুন্না লৈঙাকমিন্নবগী দিল অমা য়ান্নখ্রবনি। দিল অদুগী অকুপ্পা ৱাফম কয়াদি হৌজিকসু লৈখায় তান্নদ্রিবনি।

# ভেনিজ্যুএলানা য়ু এসকা লান্থেংননবা শেম শারে : সোসলিষ্ট লিদর



করাকাস, জুলাই ২৮ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মপুং ফাবা লান অমা শোক্লনবগীদক ভিনিজ্যুএলান গভর্নমেন্টনা শেম শারে হায়না সোসলিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা দিওসদাদা কাবেলোনা থাংজ নুমিত্তা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

য়ু এসতা ৱার্নিং তৌরদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, য়ু এস মরিনশিংনা ভেনিজ্যুএলাদা লান্দারকপা তারবদি মখোয় হিংনা অমত্তা হল্লোই। থা অসিগী মনুংদা অহুম্লক শুবা ওইনা য়ু এসকী স্পাই প্লেন অমনা ভেনিজ্যুএলাগী এয়র স্পেসতা পাইশিল্লকখিবগী ৱাফম অমা ভেনিজ্যুএলান আর্মদ ফোর্সেসকী ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দনা পনখিবা মতুংদা সোসলিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এস স্পাই প্লেন্না লৈবাক অদুগী এয়র স্পেস খোঙ্গাওনখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী অমসুং মালেমগী মায়োক্তা চথখিবা ময়েক শেংলবা ওফেন্স অমনি হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি।

২৫ শুবা সাও পাউলো ফোরমগী শরুক অমা ওইনা করাকাসতা পাঙথোকখিবা লোমেকরশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কাবেলোনা হায়খি মদুদি, হৌজিক য়ু এসনা লান্দাবা পাল্লবদি ঐখোয়গী লৈবাক অমসুং ঐখোয়গী মরা তপ্পা ফিভম ঙাকথোকচনবগীদমক্তা ঐখোয়গী মীয়াম পুম্বনা মপুং ফাবা লান অমা শোক্লনবগীদমক্তা শেম শারে।

মসিমক মখোয়না খঙজিনগদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না মীফম অদুদা মখা তানা হায়খি মদুদি মমাংদা হান্না ফোঙদোকখিবগুম য়ু এস মরিনশিংনা ভেনিজ্যুএলাদা চঙলকপা য়াবগী ফিভম লৈ। হৌখিবা জন্যুৱারিদা দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ওপোজিসন লুচিংবা জুৱান গুৱাইদোবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# ইজরেলগী এরো-৩ মিসাইল সিল্ড য়ু এসতা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে



জেরুসেলম, জুলাই ২৮ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা মতেং পাংবা ইজরেলগী এরো-৩ বলিষ্টিক মিসাইল সিল্ডগী লাইভ ইন্টরসেপসন চাংয়েং কয়া য়ু এসকী অলাস্কাদা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটয়াহুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না চাংয়েংশিং অসি ইরানদা পীবা ৱার্নিং অমনি হায়বগী ইঙ্গৎসু উৎখি।

য়ু এসকী ফার্ম বোইং কোগা খুৎশম্নদুনা শামিন্নবা এরো-৩ অসি স্পেসতা পাইরকপা মিসাইল কয়া কাপথবা ঙম্বগা লোয়ননা মসিনা স্পেসতা নন-কনভেনস্নেল ৱারহেদ পুম্নমক খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মওংদা মাঙহন-তাকহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

মিসাইল অসিগী অহানবা মপুং ফাবা ইন্টরসেপসন চাংয়েং কুমজা ২০১৫ দা মিদিটিরিনিয়ন সি মথক্তা পাঙথোকখিবা মতুং কুমজা ২০১৭ তা ইজরেলদা দিপ্লোই তৌখি।

লোন্না পাঙথোকখিবা চাংয়েং অহুমগী মতাংদা পীবা ৱারোল অমদা দিফেন্স মিনিষ্টরগী চাজ ’সু পায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর নেটলয়াহুনা চাংয়েংশিং অদু নীংথিনা মায় পাক্তুনা অপাম্বা পান্দম ফংখি হায়বা ফোঙদোকখি।

ইজরেলনা এরো-৩ অসি ইরান অমসুং সিরিয়াগী বলিষ্টিক মিসাইলশিং মায় পাক্লা মায়োক্লবা ঙম্বা খুৎলায় অমনি হায়না লৌরিবনি। হৌজিক ইরান্না লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অমসুং মিসাইল প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কন্না মুক্নদুনা লৈরি। ইরান্না কিলোমিটর ১০০০ শান্না পাইবা ময়াই ওইরপ শানবা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবগী খুদম ফংই হায়না ৱাশিংটন্না হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।